খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎ মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : সী পি আইনা খোংজোম লানদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিস সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইনা ঙসি নুংথিল ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা ১৩৪ শুবা খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খোংজোম লানদা লৈখিদ্রবা মেজর পাউবা ব্রজবাসি, চিংলেম্না, সেঙ্গোইম্না, চোংথামিয়া য়াওনা মশক-মমিং খঙদ্রবা অথৌবা কয়াগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোটিনকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কমরেদ এন সিংহজিৎ, কমরেদ এম জয়কুমার লুৱাং, ষ্টেটইগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ টি ঐচ মেঘচন্দ্র, কমরেদ এস গোপেশ্বর, কমরেদ আর কে অমুস্না য়াওনা লোকল কয়াগী মরু ওইবা কমরেদ কয়াসু শরুক য়াখি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি (মীদিয়া) এন মঙ্গোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা এম পি পিনা খোংজোম নুমিৎনা লাকপদা লাই ওইখ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা থৌনিজখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদু অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা পার্টিগী প্রসিদেন্ট এস ব্রোজেননা লুচিংদুনা পার্টিগী মেম্বরশিংনা পার্টি অসিগী কনফরেন্স হোলদা অথৌবশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎখি। থৌরমদুদা পার্টি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ৱাই ভিম অমদি আই নবকুমার অনীসু শরুক য়াখি। মতুংদা খোংজোমদা চত্তুনা শেংলবা খোংজোম তুরেলদা প্রসিদেন্ট অমদি ৱার্কিং প্রসিদেন্টকা লোয়ননা এম পি পিগী মেম্বরশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

অমরোমদা, সাহিত্য সেবা সমিটি ককচিং মণিপুরনা চহী খূদিংগী নীংশিংদুনা লাকপা কুমজা ১৮৯১গী খোংজোম নুমিৎ থৌরম চহী অসিগী ওইনসু ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা কে এস ঐচ জয়কুমারগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

সমিটিগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদীনি, এদিটর চুমথাংসু ওইরিবা অদুগা মচা চনু ককচিংগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লোয়ননা পাউচে অসিগী কলমনিষ্ট অমসু ওইরিবীনা ‘মণিপুর ইন ১৮৯১ এন্দ এটস প্রজেন্ট’ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংদুনা মতম অদুদা নিংথৌ মচাশিংনা লিংজেল মান্নরক্তবদগী মণিপুরনা বৃটিশকী মখূত্তা মায়থিখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরমগী অহৌবদা খোংজোম লানদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মীয়াম্না হৈ-লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি।

মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি লৈশেম্বা নিঙোম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু খোংজোম নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, চহী খূদিংগী লেপ্তুনা এপ্রিল ২৩না লাকপদা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুরনসু নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মখূত্তগী কন্নবা লাম্হেংনবদা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা অথৌবা কয়ানা থৱায় কৎখি। হায়রিবা খোংজোমগী লানফমদুদা অথৌবা পাউনা ব্রজবাসি, চিংলেম্না, হৈরাংখোংজা, খুম্বোং মেঙোর, লোইতোংবা জমান্দার, কৈশা জমাদারনচিংবা কয়ানা থৱায়বু পাম্মুবা লৈতনা মরৈবাক মরমদম অসিবু খ্বাইদগী লুমজনা লৌজদুনা শিরনি খঙনা বৃটিশকা অকনবা লান থেংনরবা মতুংদা থৱায় থাখি। থৌনা ফরবা লাম্নী কয়া লানফমদুদা থৱায়না পোন্থা পীখি। অসিগুম্বা মরৈবাক মজাতিগীদমক কথোকপগা লোয়ননা পূন্সি কৎখিবা মখোয়গী থৌনা লিংজেল ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে, এ আই এস এফনসু অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা হনবা লৈতনা লৈবাক্কীদমক অমসুং ইরমদমগীদমক লাম্হেংনগনি। অথৌবা-অথৌবী কয়াগী মপালনা ঙসিগী মণিপুরসি ওইরক্লিবনি। মরম অদুনা ইরমদমসিদা লৈরিবা মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল, ইমা-ইন্দোল খ্বাই পুম্নমক্নসু অথৌবা-অথৌবীশিংগী খোঙ্গুল লীমিন্নদুনা পুন্না থেংনমিন্নসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি হৈস্নাম ফোরেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা অমুকো অমদি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সী) অনীনা খূৎশম্নদুনা থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩গী খোংজোম লানফমদা মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাখ্রবা পাউনাগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা অদুঙৈ খোংজোমগী লানফমদা মণিপুরগী লাম্নীশিংনা মফূরুপ অমদি মরৈবাক্কীদমক্তা থৌনা লৈনা লাম্হেংনখিবা খূদিংমকপু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী মরু ওইবা মৈরা পায়বীগী লুচিংবী কয়া, মহৈরোয় লূপকী লুচিংবা কয়া, ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবা কয়া অমদি মীয়াম্না শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম ননেদা লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, ১৮৯১গী খোংজোমদা মপুং ওইবা লানফম ওইরগা শোক্লখিবা মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান অমদি মদুগী মমাঙগী নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা শোক্লখিবা ইরৈবাক ইফূরুপ ঙাক্লবা অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়া খুদুম চন্নবগী লানফমশিং অদুদা মণিপুরগী লাম্নীশিংনা মরু ওইনা মৈতৈ লাম্নীশিংনা থৌনা লৈনা হৈ-শিংনা, নীংহন্নদনা লাম্হেংনদুনা চহীচা কয়া মনিং তম্না য়ূম্লোন্নবা লৈবাক কয়াগী মমাঙদা মতিক মথৌনা উৎপা ঙমখিবদু মৈতৈ লাম্নীশিংনা থকশি-খাশি খঙনা ইরৈবাক ইফূরুপ হায়বসিদগী অহেনবা অমত্তা লৈতে হায়বা ৱাখল্লোন্দা লান থেংনখিবননি হায়খি।

ৱাঙ্খৈ মৈরাবা অমসুং শক খঙহৌদ্রবা লাম্নীশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৮৯১দা শোক্লখিবা এঙলো মণিপুরী ৱারগী মনুং চন্না এপ্রিল ২৩দা ককচিংগী মচিন-মনাও চীংগী লানফমদা লৈখিদ্রবা ৱাঙ্খৈ মৈরাবা পোইলা অমসুং মশকমমিং খঙহৌদ্রবা লাম্নীশিংগী মফমদা ঙসি মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ককচিং লমদমদা খুল ঙাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লাংসাই থৌনাগী মেম্বরশিং অমদি ককচিংগী তোঙান তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

চহী ১৩৩ শুরবা অথৌবশিংনা লৈখিদবদগী নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা অমদি ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক বৃটিশকা লাম্হেংনদুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু পেনাগী শৈশক্লা শৈথাদুনা অমদি ময়াম্না লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপনা মপুং ওইখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিংগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্না ককচিং এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা, ১৮৯১গী এঙলো মণিপুরী ৱারগী মনুং চল্লিবা খোংজোম লানফম নুমিৎকী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা চয়েৎনবা অসি লমদমসিগী অখঙ-অহৈশিংনা নোংমদি শোয়দনা অশেংবা অমা পুথোরকখিনি হায়খি। লোয়ননা ঙসি থৌরম পাঙথোক্লিবা ককচিংগী মচিন-মনাও চীং অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা হিষ্টোরিকেল সাইট অমা ওইনা লাউথোকহৌদ্রবদি মফম অসিগী শক্তম নোংমদি শোয়দনা মাঙখিবা য়ানা লৈরে হায়খি। মরু ওইনা চীং অসিগী মফম কয়াদা নৌনা য়ূম তাশিনবা, লৈবাক লৌথোক্পনচিংবা কয়া তৌরে হায়খি।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

পোলিটিক্স ইজ এ দর্টি গেম… ময়েক শেংলবা খুদম অমা

ৱারেং অসি ইবা মীকুপ, থম্মোয়সিদা পুরি ঐ- পুঙমদ্রবা অৱা পোৎলুম অমা। খল্লি-ইরুবগী করি কান্নে! করিমত্তা ইনীংদ্রে, করিমত্তা তৌনীংদ্রে, ৱাখল ফাওবা খন্নীংদ্রে। করি অমুক হায়গনি- নুংশিরবা ইরমদম, ইমা-লৈপাক অসিদা লৈবা ফাওবা লৈনীংলক্ত্রে। ‘মপোক লাংওন কয়াফাও নতম্পাক্তা পোকচগে, নতম্পাক্তা শিজগে’… পূমকক চাউরকঙৈদগী চীনবানসিদা পল্লকখ্রবা, থম্মোয়সিদা চুরকখ্রবা ৱাহৈ-ৱাখল-পুম্নমকসি কাউথোক্তুনা চেন্নীংলক্লে- য়েংহৈদ্রবা/উহৈদ্রবা দৃশ্যশিংসি উরোইদবা মফম অমদা। পূন্সি মশক খঙলকপদা ঙায়রিঙৈ, নহা ওইরিঙৈ মঙখিবা মকু মঙ অমগী নীংশিং শক্তম, কুফেৎ-কাফেৎ ঙাল্লকই, নীংশিং ইপোম হৌরকই… ‘ফিজি-ঈথৎকী দমুদ্র তোর্ব্বান অদুদা, কোক্তেজ অমদা ইয়ুম ওই’, পূন্সি খোঙলোয় অমগা লেনমিন্নবা পূন্সি মথেল’… মতাংসিদা খল্লক্লুই। মতাং মতম চানরুবা হায়দুরা, পূক্নিংসিদা ফাওরক্লিবা ইথিলসিগা মান্নবা ইথিল অমসু ইশুনুপী ‘লিসিপ্রিয়া কাঙুজম’নসু সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকই- ‘ঐহাক, নুংশিরবা ঐহাক্কী ইরৈবাক ইরমদমসিদা অমুক হন্না হল্লক্লীংদ্রে’…। ঐগী মরুপ, মশক নাইবা অইবা, ষ্টেট অমদি নেসনল থাক্কী মনা কয়ানা লৈতেংলবা, মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মে ৩, ২০২৩দগী লমদমসিদা চত্থরক্লিবা লানগী মশক ওইরবা ঈরাংসিদা অৱা চৈথেং ফংলবশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংলক্লিবা, খুল-ঙাকপা লাল্লোয়শিংগীসু অকনবা চৈঙাক ওইরক্লিবা অমনসু ফোঙদোরকখি… ‘কৈদৌরুনি মরুপ ! শিল্লম-শিন্থা পূম্নমক তুংওইনদুনা, ইমা-লৈপাক কনবদা ঙমজবা মতেং খরতদি পাংলমগে খন’- হোৎনজরুবনি থম্মোয় শেংনা… অদুবু… পূম্নমক অরেম্বা ওইরম্লে… থৌলৈতনা থৌ-থিরুবা! লৈপাক থুগায়বা পাম্বা মীওইশিংনা মশীং হেনবা… লৈপাক য়োনবা কাঙবুনা লৈঙাকপগী মায়খুম উপ্পা লমদমসিদা নখোয়-ঐখোয় খরসিনা কৈদৌরুনি! থৌলৈতবই থৌগায়সি তোল্লগে খল্লে ঐহাকসু’…।

হায়গে নীংবা ৱাহৈদু চুমদ্রিং হায়দোকচনবা থৌনা অদু মাঙখ্রবা, পাঙদ্রবা-অয়ম্বা ঐহাক্কী নাকোয়নবা ৱাহৈশিং… ফোঙদোকচনীংলিবা আইদিয়া- থম্মোয় পানবা মশেন্নি, খঙবীরমগনি থাজজে।

এপ্রিল ১৯, ইরাই নুমিৎ- ২০২৪। ইন্দিয়াগী ১৮শুবা লোক সভা শেম্নবা, মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবা ইলেক্সনদুগী অহানবা ফেজ- ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদসু পাঙথোকখি। অদোমসু শরুক য়ারমগনি শোয়দনা। নৎত্রগা, পেন্দ্রবা থম্মোয় নিংঙাইদুনা ইনশিন্দুনা, ভোট থাদবা থোক্লকখিদ্রবা মখোয় খরদুগী মরক্তা অমা ওইরম্বা! অনীসিগী মরক্তা ওইনীংবা অমা ওইরমসনু অদোম। ঙসি ঐনা তমজনীংলুবা পান্দমদি অদোমদনি। ৱারেং অসি পারুদবা মখোয়দা য়ৌদ্রবসু, পাবীরুবা অদোমগী থম্মোয় ফাওবদি য়ৌরনিদনা পেন্দ্রবা থম্মোয় অমগী পাউদমসে। অদুগা, মসিমসু খঙই ঐ- ঐহাক্কুম্না পেন্দবা থম্মোয় লীশিংনি। ইনাকোংসিমক্না তারকই- মফম কয়াদা হায়নহৌবা… ‘নম্ফু-সূপ্নম তৌদুনা কাননবা হোৎনরিবা, অকনবা-অরিংবা পার্টিগী মীরেপসিনা মায় পাকখিবা থোক্লবা করিগুম্বা- মখা চত্থরকখিনি খন্নরিবা লানসিসু মখা চত্থরক্লবা, ঐখোয় লান য়াওররোই, মখোয় শোক্লজরসনু’…।

পাউ অসি তাবদা অদোম ঙক্লা থোক্লল্লোই। মান্নবা ৱাখল ফাওরম্বসু য়াই অদোমদা। করিগীনো? পাউচে, ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া অমদি অতৈ সোসল মীদিয়া কয়াগী খুত্থাংদগী তানরে, খঙনরে পূম্নমক্লা… মণিপুরদা ঙসি ফাও’ পাঙথোরকখিবা লোক সভা মীখলশিংদা অহানবা ওইনা নম্ফু-হাফু, ওইদ-পাদা, নত্তবা পান্থে শীজিন্নদুনা পাঙথোকপা অহানবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলসিনা ওইরে। চীংনুং-মান্নুং, আইনগী খূৎনা য়ৌঙমদবা মফমদা মমাংঙৈদই তৌরকই তারকপা থৌওং (প্রাক্টিস) অদু হন্দক্তি ইম্ফাল ময়োলদা, সহরসিদসু য়ৌরক্লে। ভোট থাদফম (বুথ) খুদুম চন্দুনা অকন-অথৌ খরনা বুথ মনুংদা মখোয়না শৌগৎপা কনাগুম্বা মীরেপ অমবু নমদুনা কাহনখিনবা অরান-অহুই’ থবক তৌবা, কিহন-খঙহন তৌদুনা অতোপ্পা মীরেপশিংগী পোল্লিং এজেন্ট ফমহন্দবা/ভোটরশিংবু ভোট থাদবা চঙহন্দবা পোল্লিং/প্রিসাইদিং ওফিসরশিংবুসু ওভর-পাৱর তৌদুনা মখোয় মরক্তই অমনা হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদবা… কুইরবগী মমাঙদগী চত্থরক্লবা থৌওংনি। চহী য়াঙ্খৈমুক্কী মমাঙ, য়ু পিদা মহৈরোয় ওইরিঙৈ তারকখি- বিহারদদি রাজনিতি লুচিংবশিংগী গুন্দাশিংনা, মানা মানা খূৎ-লিংনা পানবা খুঙ্গংশিংগী ভোট পুল্লপ পুল্লপ থাদগনি, কনানসু করিমত্তা হায়বা ঙমদে। মদুমক্তি ঐখোয়গী চীং-লমদমগী ইলেক্সন্দা মতম অসূপ কুইবসিদা ওইরক্লিবা শক্তম। মীচম-মীয়াম ঐখোয়নফাও খঙলবা অচুম্বসি অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাঙ ময়াম্নদি খঙলমদবা হৌনব্রা! খঙনা খঙনা, উনা উনা মতম অসূপ কুইবসি অরানবসি চুমথোক্লবা থবক থৌরাং অমত্তসু পায়খৎলমদে। লৈঙাক্লা পূক্নিং থৌগৎপদুননি তৌহৈদবা থবকসি, লৈপাকসিনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক ওইরবা মতুং চহী হুম্ফুতরামরিগী মতুংসিদসু অদুম মখা চত্থরক্লিবা।

২০২৪, এপ্রিল ১৯-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী লোক সভা মীখলদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ওইখিবা শক্তম অঙকপনি! চহী য়াঙ্খৈ হেন্না য়াওরক্লবা মণিপুরগী ইলেক্টোরেল প্রোসেসতা অমুক্তা উরকখিদ্রিবা দৃশ্যনি- সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট আর্মদ ফোর্স ময়াম অমনা ঙাক শেল্লিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা অতোপ্পা ফিজম শেৎপা মীওইশিংনা নোংমৈ অচৌবা (এ কে রাইফলনচিংবা) পায়দুনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা আইননা য়াদবা থবকশিংসি তৌরকপা, অকক্লবা মীরেপ অমগী এজেন্ট অমদি ৱার্করশিংবু পোল্লিং ষ্টেসন্দগী তান্থোকপা/ফূবা চৈবা তৌরকপদা লো এনফোর্স তৌগদবা মীওইশিংনা, তৌফম থোকপা মথৌ তৌদনা তূমিন য়েংদুনা লৈথোকপা! লো-মেকর এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং- পান্থে লৈত্রবা অয়েংবা ওইনা করিগী তূমিন লৈখিবা? রুল্লিং গভর্ণমেন্ট অসিদা মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরিবা অমনা রুল্লিং পার্টিগী মীরেপ ওইরিবনা- থোকহন্নীংদবা/থোকফম থোক্তবা থৌদোকসি থোক্লকপদা থিংদবগী মরম- গভর্ণমেন্টসিদা মরাল শীরকপা তাবনি। অদুগীসু মথক্তা, ওপ্পোজিসন এল্লায়েন্সকী মীরেপ্পুগী কেম্পেন মীটিং থুগায়বগী/নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী/মীরেপ্তা কিহল্লম্বগী থৌদোক কয়া মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌনরকখ্রবনা, গভর্ণমেন্টতা খুদোম্বী থিল্লকপা- হৌনশানি পোলিটিক্সকী। অদুগা, মৈতৈ-কুকি লানসিদা ফাইটিং ফোর্স অমনি খন’, মীয়ামগী থাজবা অমসুং মীনুংশি হৈজিনখ্রবা নহাশিংগী লূপ অমগী মিং, থৌদোকসিগা পকশিন্নরকপা… কাঙলুপ অসি কনাগুম্বা খরগী প্রাইভেট-আর্মিনি-হান্নদইসু ঙাঙনরকপা, লূপসিগী লুচিংবা অমনসু মীখলসিগা মরী লৈনবা চীন্থোক (ষ্টেটমেন্ট) অমগী ওদিও/ভিদিও- হান্নবা ভাইরেল ওইখিবদুনা স্পেক্যুলেসন ময়ামগী মরু ওইখিবনি। পেন্দবা-শাউনিংবনা ফুনগৎলবা নুপী (ইমা) খরগী চীনদগী লূপসিগী মমিং শেংনা পন্দুনা চৈ-থাংখিবা- শেংদোক-শেংজিন/অৱায়-অখুম্না কোকথোক্লবা য়াররোই। পোলিটিক্স হায়বসি কয়ামুক শাথীনা মোৎপগে… মণিপুরগী মীয়ামদা ১৮শুবা লোক সভা মীখলনা ময়েক শেংনা তাক্লল্লে। মচেৎ তাগদৌরবা ইরমদমসি কন্নবা, অমত্তা ওইনা ৱানা পুনশিঞ্জরকপা লিংজেল-লৈঙাকপা অমগী খোঙচেপকী খোঙহাই অমদা পূমথু হেক থুগায়খিদা!… কল্লকই-দে !

অইবশিংনা মনাগীদমক নোমিনেসন পীশিনবা য়ারগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : খোরিরোল শন্দোকলূপ, ৱাংজিংগী সেক্রেটরি লাইশ্রম শ্যামোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা লূপ অসিগী ৪৭শুবা মপোক নুমিৎ জুন ৮, ২০২৪দা পাঙথোক্কদবা থৌরমগা মরী লৈননা লাম্হোক্কদবা মনাশিংগীদমক নোমিনেসন থাজিল্লকপা য়ারগনি হায়রি।

লূপ অসিনা পীগদবা মনাশিংদি কলচর, ক্রিটিসিজম অমসুং ফোকলোরগী মরমদা ইবা লাইরিক্তা ‘ডা. সোইবম কুমার নীংশিং সাহিত্য মনা’, চহী ৪৫গী মনুংদা লৈরিবা অইবশিংগী শৈরেং, ৱারীমচা, দ্রামা নৎত্রগা নোভেলদা পীগদবা ‘থোকচোম অমুবা শাস্ত্রি নীংশিং খোরিরোল মনা’, চহী ৬০ হেল্লবা অইবশিংদা পীগদবা ইবোতোম্বা সাহিত্য সেবক মনা, লূপকী মেম্বরশিংগী শৈরেং-লাইরিক্তা পীগদবা তেকচম কামিনি, কুশ, লোইদাং নীংশিং খোরিরোল মনা, নোভেল অমসুং ৱারীমচাগী লাইরিক্তা পীগদবা মোইৱাংথেম কুঞ্জমনি নীংশিং খোরিরোল মনা অমসুং লূপকী মেম্বরশিংনা ফোঙবা লাইরিক্তা পীগদবা খোরিরোল শন্দোকলূপ বেষ্টবুক ওফদ য়্যর হায়রিবশিং অসিনি।

থাগৎলক্কদবা লাইরিকশিং অদু ২০২১গী এপ্রিলদগী ২০২৪গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা ফোঙবা ওইগদবনি। লাইরিক্কী কোপী ৩, বাইও দেটা অমসুং মরী লৈনবা চে-চাংগা লোয়ননা নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা মতমনা লাক্লিবা মে ১০ ফাওবগী মনুংদা ৱাংজিং কৈথেলদা লৈবা গ্লোবেল বুক ষ্টোরদা নৎত্রগা খোরিরোল শন্দোকলূপ ৱাংজিংগী ওফিসতা শীন্নবীয়ু। ষ্টেট লিটরেরি এৱার্দ অমসুং সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা মীওইশিংদি খন্নরোই হায়রি।

আই এ এস ফংলকখ্রবী দীপি হরাও তয়াম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট নন-গবর্ণমেন্ট ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন ককচিংনা শীন্দুনা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)না লৌবা সিভিল সর্ভিস এগজাম (সী এস ঈ) ২০২৩দা ৫০৮ শুবা রেঙ্ক ফংদুনা আই এ এস ফংলকখ্রবী ককচিং সুমাক লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম দীপি চনুবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি লিটরেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

ক্ষেত্রিময়ুম দীপি ককচিং সুমাক লৈকায় কৈথেল মচা পরেংদগী ক্ষেত্রিময়ুম দেবেন অমদি নাওরেম প্রভারানি অনীগী মচানুপী অহলনি। মহাক কুমজা ২০২০দা য়ু পি এস সী, সী এস ঈ এগজামদা ওল ইন্দিয়া রেঙ্কতা ৬১২ তারক্তুনা আই পি এস ফংবদগী হৌজিক-হৌজিক ত্রেনিং তৌদুনা লৈরিবনি। কুমজা ২০২৩দা অমুক হন্না মহাক্না য়ু পি এস সী এগজাম থাবদা রেঙ্ক ৫০৮ তারক্তুনা আই এ এস ফংলকখিবনি।

দীপিবু ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরমদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এ সুভাশ আই এ এসনা অথোইবা মীথুং, দেপ্যুটি কম্মিস্নার ককচিং রোহিট আনন্দ আই এ এসনা থৌরম মপু লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎ এম পি এসনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুকয়াখি। থৌরমদুদা মীথুংলেনশিংনা দীপিগী হোৎনবা কনবা অমদি ককচিং লমদমদা য়ু পি এস সী এগজামদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা লেপ্তুনা মীওই কয়া মায় পাক্লকপবু শীংথাদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মায় পাকখ্রবশিংগী মতুং ইন্দুনা মতিক চাবা মীওই ওইরকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোক্লখি।

[illegible]

[illegible]

অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : দি সোসল ৱার্করস কোংগ্রেস, খোংমনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ঐচ বসন্ত মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌখিবা এপ্রিল ১৯দা পাঙথোকখিবা এম পি ইলেক্সন্দা খোংমনগী পোল্লিং ৫/৩১, নেসনল চিলদ্রেন স্কুল অমদি ৫/৩২ কম্যুনিটি হোল খোংমন জোন-৫ হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অনীসিদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা খূৎপু অমনা মীয়াম্নু ভোট থাদরিঙৈদা চঙলক্তুনা মীয়াম্নু ভোট থাদবা লেপহল্লগা মখোয়না ভোটর কয়াগী প্রোক্সি ভোট চথখিবা থৌওং অদুনা ইলেক্সন কায়হনখিবগী থৌওংদু মীয়ামগী য়াইফ নুপী লূপ অমদি খোংমনগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমদি অসিগুম্বা থৌওংসি মখা তানা থোক্তনবগীদমক্তসু মরী লৈনবশিংনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু। অথেংবদা পোল্লিং ৫/৩২দি মখা তানা ভোট থাদনখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৪।২০২৪ ইং, য়ুমশকৈশা;
অয়ুক ৫.১৮ ফাওবা শজিবুগী থানিল, মতুংদি ১৬ পাল্লনি।

মেষ: নোল্লুকপা হৈত্রদি কোক শাবা, অশাওবনা কায়নবা য়াবা লৈগনি। খন্থরদি মরুপ-মপাংশিংগা অফবা মরী লৈগনি, শেন্দোং লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: মায় পাকপা নুমিৎ ওইগনি। অফবা থবকশিং পাঙহৌরো। অফা-অপুন কোকচগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি, শেন্দোংসু য়াম্না লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: লৌশিং অমদি অচুম্বনা পুম্নমক্তগী হেল্লি কাওরোইদবা নুমিৎনি। মীৱা থাজরুনু, নক্লবনা অচেংবা ঙাই, লাঙতক্লগনু-থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: অফ-ফত্ত য়ান্নে- খন্দোকপা হৈয়ু। চঙশিনখ্রদি হল্লনু- নতুংদা মীয়াম লৈরি। মীতোপ্পদি নথক থোংবদা লান্না পাউদমশিনগনি-ৱা ঙাংথোক্কনু।
লৈশা পাখংগী- মীৱা লৌদ্রদি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: অরং-অরাক ফংবা, ৱাখল থোকপা অমদি তুংগী পোরম শীন্দোকপা থোইনা হৈগনি। নরল চাওখৎনবা হোৎনবা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

কন্যা: খুরৌ থাংবা লৈররোই, অফা-অপুনগী থবক্তসু মায় পাক্লনি। অখঙ-অহৈ তান্নদনা তুংগী থৌরম শীন্দোকপা হৈবা ৱাৎকনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংগী- অনীংবা ফোঙদোকপা লুগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

তুলা: পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা, ৱাখল ৱারম্বা কোকচবা নুমিৎনি। মীয়াম পুন্না থৌ পাঙবদি খুদোং চাদ্রবসু পাউদি নুংঙাইবা তাগনি, মীথোইগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: অফবা থবক পাঙবগী অফবা মহয় ফংজবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱা তান্নবনা ঙসিসু হেন্না মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অঙম্বনদি য়েংথিরি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

ধনু: ওইজবা তানবদা থোইনা মীকোক থোংনা কান্নগনি। ইমুং-মনুং পুন্না থৌ পাঙমিন্নবনা অহকপা থবকসু লায়না পাঙগনি -থৌনা হনগনু।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: য়েৎনবা অমদি মরুপ-মপাংশিংগা মরী ফবা ৱাৎলসু নীংবা থুংগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি, নুংঙাইবা পাউসু তাজগনি, কান্নজগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা খুদক্কী ওইবা ৱারেপ লৌবদা চিংননিংঙাই লৈতে। মীয়াম্না তেংবাঙবীগনি। ৱানোম-থৌনোম থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

মীন: খোয়রাংবা ফাথৌ, নাপল থাদোকউ অমদি হন্থবা লোয়নবনা মতম মাঙগনি। অচুম্বা অমদি লৌশিং শীজিন্নরদি মাঙবা অমুক লৈরোই।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপাদি চারোই॥
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
1st P.T	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
2nd P.T	9.50	1,500	14,250
		2,000	19,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			4,000

Contact No. 9612725842

HL-P/10395/15 to 27 April

KINGDOM®
INSTITUTE
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognized by Ministry of Corporate affairs, Govt.of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class
for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
- Computer (3,6 Months)
- Spoken Hindi
- Spoken English

AVIATION COURSE
6th Batch - 13th May, 24 (1 Year)
- CABIN CREW
- GROUND STAFF

OUR RECENT CHAMPIONS

JAYALUXMI
H.TUNANBI
DELPHIA
NG.ELINA
L.HENTHOISANA
PH. GOLDY
H. OMILA
L.TOMTHINGANBI
H. JEENA
A.LINGTHOI
IndiGo

(1) MPP Complex, Paona Bazar Behind Pologround
(2) Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)., Old Lambulane, Opp. GP Women's College
7005776944 / 8837407726

HL-B/8609/7,9 to 25 Alt.